# মোদিগী বিজয় শঙ্খনাদ রেল্লি মিরুটতা পাঙথোকখ্রে



**ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ২ ঃ** ভারতিয়া জনতা পার্টিগী প্রাইম মিনিষ্টরগী মীরেপ ওইরিবা নরেন্দ্র মোদিনা মিরুটতা পাঙথোক্কদবা রেল্লি অমদা শরুক য়াখ্রে।

রেল্লি অদুদা শরুক য়াগদবা অরাপ্পা মফমদগী লাকপা মীয়ামগী চখোক-চৎশিনগীদমক পাক-শন্না থৌরাং লৌখৎখিবগা লোয়নন্না রেল্লি অদুদা মীওই লাক্ষ কয়া শরুক য়াখ্রে হায়রি।

মফম অদুদা সেক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎখিবগা লোয়নন্না ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফপুলিস মশামক্না রেল্লি অদুগী ঙাক-শেন্দা হকথেংনন্না ইন-চার্জ পুখি। মদু লৈবাক অসিগী ওইনা অহানবনি হায়রি।

ওফিসিয়েল ওইবা পাউদা সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস ২, এদিশনেল এস পি ১০, দেপ্যুটি এস পি ২০, ইন্সপেক্টর ১২, সব-ইন্সপেক্টর ১৫০, কন্সটেবল ৪৫০, ত্রাফিক সব-ইন্সপেক্টর ২২, ত্রাফিক হেদ কন্সটেবল ১৫ অমসুং প্রোভিন্সিয়েল আর্ম কন্সটেবুল্লারিগী পর্সনেল ১০না রেল্লি অদু ঙাক-শেনখি হায়রি।

হান্নগী মুম্বাই পুলিসকী মকোক সৈত্যপাল সিংহ নরেন্দ্র মোদিগী রেল্লি অদুদা শরুক য়াখি হায়না লাউথোকখ্রে।

# ভি ভি আই পি চোপ্পর দিলগী মতাংদা সোনিয়া অমসুং মহাক্কী এদভাইজরদা মরাল শীরকখ্রে

**ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ২ ঃ** ভি ভি আই পি চোপ্পর লৈবগী মতাংদা মিদ্দল-মেনশিংসু মরাল শীবা য়াওশিল্লক্রে।

খৃষ্টান মাইকেলনা ইন্দিয়াদা লৈবা মহাক্কী খঙনবা অমদা যু পি এগী চ্যেরপর্সন সোনিয়া গান্ধি অমসুং মহাক্কী খ্বাইদগী নক্লবা এদভাইজর অদুগুম্বা দিল অদুদা চাউনা থৌদাং লৌখি হায়না মরাল শীরক্লি।

ইটালিয়ন কোর্ট অমদা চৎলিবা থা অসিদা মাইকেলনা মরী লৈনবা চে-চাংশিং সমিট তৌখি হায়না অগসথা ৱেষ্টলেনদা ফোঙদোকখি-বগা লোয়নন্না সোনিয়া গান্ধি অমসুং মহাক্কী এদভাইজরদা টার্গেট তৌরক্লি।

শ্রিলঙ্কাগী কোর্ট অমনা জনুৱারি ১৩দা নাগাপাতিনমগী ঙা ফাবা মীওই ১১১ থাদোক্লবা ওর্দর থোকখি। মখোয় জফনা জেলদগী ঙসি থাদোকখ্রগনি। লোয়নন্না নুমিৎ নীনিগী মনুংদা মখোয়গী ময়ূম লমদম য়ৌরক্লগনি হায়না পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।

অতোপ্পা কোর্ট অমনসু মন্দাপানদগী ঙা ফাবা মীওই ১০ জনুৱারি ৪ দা ফাখি। মখোয়সু অন্নাধি কানাগারাথিমম মেনর মেজিষ্ট্রেটনা থাদোক্লবা ওর্দর থোক্লবা য়াই হায়রি।

অদুম ওইনমক, রামেশ্বরম অমসুং জগথাপটনমদগী ফাখিবা ঙা ফাবা মীওই ১৩ অমদি ১৭ তি মখা তানা রিমান্দ লৌথনবা পুদুকোটাই দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা মালাগম কোর্টনা ওর্দর থোকখি। মখোয় জনুৱারি ২৯দগী কষ্টদিদা লৈরকখিবনি হায়রি।

হায়রিবা মীওইশিং অদু মমাং চহিগী নভেম্বর ৩০দা হি মরিগা লোয়নন্না শ্রিলঙ্কাগী ঈশিংগী লমদা চঙশিল্লকপদা ফাখিবনি হায়রি।



মাইকেলনা ইন্দিয়াদা লৈবা মহাক্না পাউ ফাওনবা মীওই অদুদা সোনিয়া গান্ধি, মনমোহন সিংহ, প্রনাব মুখর্জি, বিরাপা মোইলি, ওস্কার ফর্নান্দেজ, এম কে নরায়নন অমসুং অতোপ্পা বিজয় সিংহ কৌবা মীওইশিংনা চোপ্পর লৈবগী দিল অদুদা অচৌবা থৌদাং লৌখি হায়না ফোঙদোরক্লি।

মীওই অদুনা মহাক্কী চে-চাংশিং অদু মহাক্কী পোক্নফম লমদমদা লৈবা হায় কমিশ্নরদা হকথেংনন্না পীশিনখি। মদুদা সোনিয়া গান্ধি অমসুং মহাক্কী খ্বাইদগী নক্লবা এদভাইজরগী মিংনা মকোক্তা য়াওরি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোক-খিবদা এম আই-৮ চোপ্পরগী মতাংদা গান্ধি নাম্থোকপা য়ারোই। মহাক্না ভি আই পিশিংদা তুংদগী ইনশিন্দুনা থবক অদুদা য়াওশিনখি হায়রি।

হায়রিবা চেরোল অদু ইটালিয়ন ওথোরিটিনা মহাক্না ফম মান্নবা ইন্দিয়ন ওথোরিটিগা পূন্না য়েংশিনবগী থবক চথরি। অতোপ্পা চেরোল অমদা, গুইদো হাসকেনা দিল অদুগী ড্রাফ্ট বজেটশিংসু মমাংদা পুথোকখিবা লৈখ্রে।

ইন্দিয়ানা টেন্দর অদু কক্লবা হোৎনবদা লুপা ক্রোর ৫২০০ মাঙহনখি। ইন্দিয়ন এয়রফোর্সনা মখোয়গী দরকার লৈবশিং মেনশিন্নবগীদমক ভি ভি আই পি চোপ্পরশিং লৈননবা হোৎনবগী থবক পায়খৎলিবনি হায়রি।

## অচুম্বদু খঙমিন্নসি

### মালেম লৈকোইপুংগী ৱাংমদা–১২

ঙসি ফাওবদা মালেম লৈকোইপুংগী ৱাংমদা থাগৎখিবা হিরম খুদিংদা শীজিন্নবা মখল কয়াগী সেটলাইটশিং অসি মপুন্সি লোইরকপা মখা তানা শীজিন্নবা য়াদ্রবা মতমদা মখোয়বু য়ারিবমখৈ মালেমদা পুথরক্লবা হোৎনৈ। মখোয়বু মালেমদা অমুক পুথরক্লবগী তোঙানবা সিষ্টেম অমা লৈ। মসিগী সিষ্টেমসিনা শীজিন্নবা য়াদ্রবা সেটলাইট অমবু মালেমদা পুথরক্তুনা ওসিন্দা নৎত্রগা মী পোং তাদবা মফমদা তাহল্লি। মসিনা তারকপদা এটমোস্পিয়ার লানশিল্লকখ্রবা তুংদা মৈ হৌনা চাক্লক্কদবসু থিংদনা মৈ চাকহল্লগা তাহল্লকই। অসিগুম্বা স্পেস দেব্রিজ ওইনা লৌরবা সেটলাইটকী অতেক অকায়শিংদু মালেমদা তাহল্লকখিবদা হৌজিক ফাওবদবদি মী নৎত্রগা শা অমত্তদা শোকহনবা লৈত্রি। ইং ১৯৭৯ দা টোন ৬৯ লূম্বা অমেরিকাগী স্কাইলাব অসি মালেমদা পুথরকখিদুনা ওষ্ট্রেলিয়াগী দেজার্টতা তাখি। সেটলাইটতু অচৌবা মৈবুল অমদি হৌরবা মখোলগা লোয়নন্না দেজার্টতুদা মসিগী অচৌঅচৌবা শরুকশিং অদু চাইনা তাখি। স্কাইলাব সি অমেরিকানা ইং ১৯৭৩ দা থাগৎখিবনি। চহিদুমক্তদসু রসিয়াগী মির স্পেস ষ্টেসন (টোন ১২০)সু পেসিফিক ওসিন্দা তাহনখি। ফুটবোলদগী খরা হেন্তক্লা চাউবা সেটলাইটকী পোৎচাক চাউরাক্লা ১০০দগী ২০০ ফাওবা চহি খুদিংগী তারক্তুনা এটমোস্ফিয়ারদা চংলকখি। অদুবু হৌজিকসু সেটলাইট মতেক মকায় কয়ামরুম মালেমগী ওর্বিৎতা লৈরি। সর্ভে অমা ইং ২০০০ দা চখখিবগী মতুং ইন্না, হৌজিক অহাংবা মালংদা থিজিনবগী থবক চথরিবা স্পেস প্রোব ৯০ অদুগা সেটলাইট ২,৬৭১ লৈরি। কায়খিবা রোকেটকী অতেক কায় য়াওনা মতেক অকায় ৬,০৯৬ ওর্বিৎতা লৈরি। ইং ১৯৮৬ তা এরিয়ান কায়খিবদা মদুগী মচেৎ ৪০০ থোকখি।

# মীখল মাঙওইনন্না কংগ্রেস পার্টিনা নিতিসকুমারবু ভিক্টিম ওইহল্লে

**ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ২ ঃ** কংগ্রেস অমসুং বি জে পি য়াওদবা পোলি-টিকেল ফ্রন্ট অমা শেমগৎনবগী মতাংদা নিতিসকুমারনা ময়েক শেংনা ফোঙদোকখিবদা হৌজিকমক্কী ওইনদি কনাগুম্বা অমত্তগা খূৎশম্নবগী আশা লৈতে।

লোয়নন্না মহাক কংগ্রেস পার্টিদগী চহি কয়া লাপথোক্তুনা লাক্লবা মীওইনি হায়রি। মতম অসিমক্তদা আর জে দিগী লুচিংবা লালু প্রসাদ য়াদব লোয়নন্না রাম বিলাস পাসৱাননা বিহারদা কংগ্রেসকা খূৎশম্নগনি হায়না লাউথোকখিবা লৈখ্রে। মদু চপ চানা ওফিসিয়েল ওইনা লাউথোক্কদবদা মঙাইরবনি।

লোক সভা মীখল মাঙওইনন্না নিতিসকুমারবু কংগ্রেসনা ভিক্টিম ওইহনবীরে। ওইরক্লিবা রাজনিতিগী অহোংবা খোঙথাং অদুদা মহাক করি ওইরক্কদগে হায়বা খঙবা ঙমদ্রি। হন্দক্তা কিসগঞ্জদা লৈবা আলিগর মুসলিম য়ুনিভর্সিটিগী ফাওন্দেশন ষ্টোন য়ুংবগী থৌরমদসু মহাকপু বার্তুণ তৌরকখিদে।

থৌওং অদুদা মহাক্কী খাংবগী পাঙ্গল লোইখিবগা লোয়নন্না কংগ্রেসকী লুচিংবশিংদা এটেক চথবা হৌবগা লোয়নন্না পাংদবশিংনি হায়না ফোঙদোরকখি। লোয়নন্না রাহুল গান্ধিবুসু মরাল শীখি। নিতিসকুমারনা থৌওং অদুবু শাথিবা মওং অমনি হায়না শীৎখি।

ইং ১৯৮৪দা থোকখিবা শিখ রাইওট অমসুং ইং ১৯৮৯গী ভগলপুর রাইওটকী দায়ত্ব কংগ্রেসনা পুগদবনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

লুচিংবা অদুনা অশাউবগা লোয়নন্না ফোঙদোরকখিবা ৱাফম অদুবু কংগ্রেসকী স্পোক্সপর্সন অমদি সেনিয়র লীদর প্রেমচন্দ্র মিশ্রানা ফোঙদোক্লকখিবদা, কংগ্রেসকী মায়োক্তা ৱা ঙাংবা অমদি পার্টি অদুগী লুচিংবশিংগী মায়োক্তা লৈবা হায়বদু পার্টি অদুগী চৎন-কাংলোনগী ৱাংমদনি। মদুদা কংগ্রেসনা খাংবা ঙম্লক্তবা য়াই হায়কি। নিতিসনা কাওরোইদবদি মহাক্কী সরকার অদুনা হিংবা ঙম্লিবা অদু অরুবা তানফম কয়াদা কংগ্রেসকী এম এল এ মরিনা শৌগৎপদগীনি হায়খি।

নিতিসকুমারনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মহাক্কী সরকারদা শৌগৎপদা কনাগুম্বশিংনা তোকখিবদা অথিংবা লৈতে। মহাক মাঙলোমদা চঙশিনবগা লোয়নন্না হীরম অদুগী মতাংদা স্পিসিয়েল সেসন অমা কৌগনি। হন্দক্তা থৌদোক অদু কংগ্রেস অমসুং জে দি য়ুগী মরক্তা লৈবা মরীদা ফৎচিল্লক্তবনি হায়বদা য়েৎননিংঙাই লৈরোই।

আর জে দিগী সেনিয়র লীদর অমসুং পার্টিগী স্পোক্সপর্সন মনোজ ঝানা হায়খিবদা, নিতিসকুমারনা অহানবদা কংগ্রেস পার্টিগা খূৎশম্নবা থৌরাং তৌখি। মদু মাইনোরিটিগী ভোট ফংননবগী লাল্লোং অমনি। থৌরাং অমা ওইনা আর জে দিবু বিহার ষ্টেটতগী তোঙান্না ইম্থোক্তুনা থল্লমখিবনি।

তৌইগুম্বসুং আর জে দি অমসুং কংগ্রেসতি হান্নন্না মগুণ খঙনরবা এলাইনি। লোয়নন্না অদুগুম্বা থৌশীল অদুনা মৈ হৌরক্তুনা ঙসিদি মহাক বিহারগী রাজনিতিদগী থৈদোক্লবগী মরম ওইহল্লকখিবনি হায়খি।

# লোক পালগী মকোক অমসুং মেম্বরশিং ফেব্রুৱারি থাগী অরোইবা শরুক্তা হাপ্পবা য়াই

**ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ২ ঃ** এন্টি-করপশন বোদি অমা ওইরিবা লোক পালগী চ্যেরপর্সন অমসুং মেম্বরশিং অমসুং চৎলিবা থা অসিগী অরোইবা শরুক্তা হাপ্পবা য়াই।

বি জে পিনা দিমান্দ তৌবা ঙাক্তগী ৱা নত্তনা সরকারনা হায়রিবা পোষ্টশিং অদুগী এদভর্টিজমেন্ট লৌথোক্তনবা অমদি খনবা য়াবা মীশিং লেপথোক্লগনি হায়রি।

সরকারনা লোক পাল বিলগী অদুগুম্বা পোষ্টশিং অদুগী এদভর্টিজমেন্ট লৌথোক্লোই অমদি এপ্লিকেশন লৌশিনবগী মতম ইরাই নুমিৎ ফাওবা ওইরগনি। মদু নোমিনেশন লৌশিনবগী অরোইবা তারিখনি হায়না সেনিয়ার ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোরক্লি। থবক হাপ্নবগী এদভর্টিজমেন্ট অদু মপূং ফানা লৌখৎলগনি।

প্রাইম মিনিষ্টর মনোহন সিংহনা লুচিংবা কমিটি অমনা স্ক্রুটিনি তৌরবা মতুং কেন্দিদেটশিংগী মমিং লাউথোক্কনি অদুগা মীওইশিং অদু খনবগী থবক খূদিংমক চৎলিবা থা অসিগী মনুংদা লোইশিনগনি হায়রি।



মিনিষ্ট্রিনা মমাং থাদগী মতীক চাবা কেন্দিদেটশিংগী এপ্লিকেশন থারক্লবা এদভর্টিজমেন্ট থোকখি। চ্যেরপর্সন অমসুং অতোপ্পা মেম্বর ৮গী এপ্লিকেশন অদু ফেব্রুৱারি ৭ ফাওবা লৌশিনগদবনি।

মখা তারকপা ওইনা রাজ্য সভাগী ওপোজিশনগী লুচিংবা অরুন জেটলিনা ৱাহং হংলদুনা থৌদোক অদুগী অচুম্বা য়েংলগা সরকারনা এদভর্টিজমেন্ট অদু লৌথোক্কদবনি হায়না পুখৎলক্লি।

প্রাইম মিনিষ্টর জেটলিগী ৱাফম রিজেক্ট তৌবগা লোয়নন্না হায়খিবদা, সরকারনা নিয়মগী মতুং ইন্না এদভর্টিজমেন্ট অদু থোকখিবনি। এদভর্টিজমেন্ট অদু চপ চাবা লোক পালগী প্রোভিজন ঙাক্লা থোকখিবনি। লোয়নন্না নিয়ম অদু মরী লৈনবশিংনা শেন্নকখিবনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টরনা জেটলিদা হায়খি।

প্রাইম মিনিষ্টরগী পাউখুম অদুদা হায়খিবদা, মদু সরকারনা লেপক-দবনি। মদুগীদমক মহাক্না সরকারগী ফিরেপ অদু থাগৎলি। পোজিশনশিং অদু সেলেক্সন কমিটি অমনা য়েংশি-নবনি। মখোয় সর্চ কমিটি নত্তে হায়খি।

এদভর্টিজমেন্ট থোকখিবা লোক পাল মেম্বরগী পোষ্টশিং অদু ৪না জুদিসিয়েলনি অদুগা লেমহৌরিবশিং অদুনা নন-জুদিসিয়েল ওইবনি। প্রাইম মিনিষ্টরনা লুচিংবা কমিটি অদুদা লোক সভাগী স্পিকর, ওপোজিশন পার্টিগী লুচিংবা, চিফ জষ্টিস নৎত্রগা এপেক্স কোর্ট অমনা নোমিনেট তৌরকপা জজ অমা অমসুং হান্নন্না ৱায়েলগী লম্দা হৈ-শিংলবা জুরি অমা য়াওরি।

# ক্বিইন ইলিজাবেটতগী সোনিয়া গান্ধীনা হেন্না ইনাক খুল্লম্রে

**ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ২ ঃ** থাজগেরা থাজরোইরা সুপর প্রাইম মিনিষ্টরনি হায়না মীয়াম্না তত্তনা কৌনরিবা যু পি এ সরকারগী চিয়ারপার্সন সোনিয়া গান্ধীনা ইংলেণ্ডগী মহারাণী ইলিজাবেটতগী হেন্না ইনাক খুল্লম্রে হায়রি। কংগ্রেস পার্টিগী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা গান্ধী ফেমিলিগী অমত্তা ঙাইরবা লুচিংবী সোনিয়া গান্ধী অসি পৃথিবীগী মনুংদা পোলিটিকেল পার্টিগী লিদরশিংগী মনুংদা ১২ শুবা ইনাকখুনবা নুপীনি হায়না হফিংটোন পোষ্ট ৱার্ল্ডনা রিপোর্ট তৌরি।

ৱেফ পোর্টেল অসিগী রিপোর্টকি মতুং ইন্না সোনিয়া গান্ধী অসি বৃটেনগী ক্বিইন ইলিজেবেট-২ অমসুং সাইরিয়াগী প্রসিদেন্ট বসার অল অসাদ অনীদগী হেন্না ইনাক খুল্লি হায়রি। রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ভ্লা দিমির পুটিননা পৃথিবীগী মনুংদা খ্বাইদগী হেন্না ইনাক খুনবা পোলিটিসিয়ান অমা ওইরি। মহাক্কী মতুংদা থাইলেণ্ডগী নিংথৌ ভুমিবোল অদুল য়াদেসনা মতুং ইল্লি। মথংদনা ভুরনাইগী সুলটান হাসনাল বোলক্যানি হায়রি।

ইন্দিয়াগী কংগ্রেস প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধী অসি ১২ শুবা পোজিসনদা লৈ। মহাক্কী মতুংদা মোনাকোগী প্রিন্স অলবরটুনা ইল্লক্লি। মখোয়শিং অসিগী মতুংদা রোমানগী সুলটান কাবোস বিন সাইদ অমসুং ইক্বেটরেল গ্যুনিয়াগী প্রসিদেন্ট ন্যুমা মাবাসোগো লৈরি। পৃথিবীগী খ্বাইদগী ইনাক খুনব পোলিটিকেল লিদরশিংগী মনুংদা ইংলেণ্ডগী মহারাণী ইলিজাবেট-২ অসি ১৮ শুবা লিষ্টতা লৈরি। মহাক্কী ওইনা য়ু এস দোল্লর মিলিয়ন ৪০০ দগী মিলিয়ন ৫০০ ফাওবগী চাংদা পাবা য়ারি হায়রি।

পনবা য়াবা ৱাফম অমদি সোনিয়া গান্ধীনা ২০০৯ গী লোক সভা মীখলদা মহাক্কী নোমিনেসন ফাইল তৌবা মতমদা মহাক্কী ওইবা মশাগী কার নৎত্রগা ময়ুম অমা ফাওবা ইন্দিয়াদা লৈতে হায়না পনখিবনি। মহাক্কী এফিদেবিট অদুদা ইটালিদা মহাক্কী মপামগী ওইবা লুপা লাক্ষ ১৮.০২ লৈ হায়না পনখিবনি। সোনিয়া গান্ধীনা পীরিবা এফেদেবিট অদুগী মতুং ইন্না রাহুল গান্ধীনা পীখিবা এফেদেবিট অদুগী অপূনবা শেলফম লুপা ক্রোর ১.৩৮ অদুদগী লুপা ক্রোর অমা রোম হেন্না তাখি। এফেদেবিট অদুদা সোনিয়া গান্ধীনা মহাক্কী ওইনা মখুত্তা লুপা লীশিং ৭৫ লৈ, বেঙ্কতনা লুপা লাক্ষ ২৮.৬১ লৈ। মসিগা লোয়নন্না মহাক্কী ওইনা লুপা লাক্ষ ২০ লোমগী ম্যুচুএল ফন্দ লৈ। লোয়নন্না রিজার্ব বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াদা লুপা লাক্ষ ১২ অমসু লৈ হায়খিবনি।

মহাক্কী ওইনা পোষ্ট ওফিসতা লুপা ১৯০০০ দিপোজিট তৌই অমসুং পব্লিক প্রোবিদেন্ট ফন্দ ওইনা লুপা ২৪.৮৮ লৈ হায়খি। সোনিয়া গান্ধীগী কেজি ২.৫ লুম্বা সনা লুপা অদু লুপা লাক্ষ ১২ রোমগী মমলদা পায়, লোয়নন্না কেজি ৯৯ লুম্বা সিলভর অদুনা লুপা লাক্ষ ১৮ লোম পী হায়না মমল পারি। মহাক্না মহাক্কী লৈরিবা লৌউশিংউবগী প্লোট অনী হায়বদি লুপা লাক্ষ ২.১৯ লোম তাবা ৱাফম অদুগী মতাঙদা এফেদেবিটতা পনখিদে। সোনিয়া গান্ধীনা ইং ২০০৮-০৯ দা লুপা লাক্ষ ৫.৫৮ ইনকম টেক্স ওইনা পী অমসুং মহাক্কী লৈরিবা মরল মথুম অদুগী টেক্স ওইনা লুপা লীশিং ৩৩ রোমগী ময়াদা পীরি। হফিংতোন পোষ্টনা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না সোনিয়া গান্দী অসি যু এস দোল্লর বিলিয়ন অনীগী মথক্তা লৈবা মীওইনি হায়রি।

# লোক অয়ুক্তা থবক হৌরকপগা লোয়নন্না হূদাগী মথক্তা থিজিনবা হৌরগনি

**এজেন্সিশিংদগী**

**ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ২ ঃ** হরিয়ানাগী লোক অয়ুক্তাগী জষ্টিস প্রিতমবালনা ভুপিন্দর সিংহ হূদাগী মথক্তা থিজিন্নবা থবক পায়খৎপা হৌখ্রে।

মদু লৈবাক অসিগী ওইনা লোক অয়ুক্তা লাক্লবা মতুং করপশনগী কেসকা মরী লৈনন্না চিফ পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি রাম কৃষন ফৌজিগী মথক্তা থীগৎনবা রিকমেন্দ তৌখ্রবা মতুং হূদাগী মথক্তা থীগৎনবা কমপ্লেন্ট তৌরকখিবগী মতুং ইন্না থবক অদু লৌখৎখিবনি।

হূদানা সরকারগী পায়খৎখিবা থবক থৌরমশিং মেদিয়াদা এদভর্টাইজ তৌনবা হোৎনবদা লুপা ক্রোর কয়া লান্না শীজিন্নখি হায়না মরাল শীরি।

সরকার অদুনা লোক অয়ুক্তাদা ফৌজিগী মথক্তা থিজিন্নবা খঙহল্লকখিবা অদু অমুক হন্না য়েংশিন্নবা খঙহল্লক্লি। মহাক্কী মথক্তা থীগৎনবা রিকমেন্ট অদু সরকার অদুনা ফাজিন্দুনা থম্বা ঙল্লোইদবা অমনি হায়রি।

ফৌজিগী কেস অদুদা মহাক্না গুরগাওদা লৈরিবা একর ৪ চাওবা প্লোট অমা হোংদোক-হোংজিন তৌনবগী মতাংদা লুপা ক্রোর ৫ দিমান্দ তৌখি হায়না মরাল শীখি হায়রি।

ৱাফম অদু টি ভি চেন্নেল কয়ানা থৌদোক অদুগী ভিদিও ফুটেজশিং উখোরকপা লৈখ্রবনি। অদুবু ফৌজিনা থৌদোক অদু মহাক্কী ইজ্জৎ শোকহন্নবা শীনবনি হায়না ফোঙদোরকখিবনি হায়রি।

লোক অয়ুক্তানা রিকমেন্দ তৌদুনা রেজিষ্টার তৌরকখ্রবা কেস অদু প্রিভেন্সন ওফ করপশন এক্ট ১৯৯৮গী সেক্সন ৭কী মখাদা রেজিষ্টার তৌখিবনি হায়রি। মদু সেনিয়র পুলিস ওফিসর অমনা প্রমাণ পীগদবনি হায়রি।

সেনিয়র কংগ্রেস লীদর অদুগী মথক্তা চথখিবা ষ্টিঙ্ক ওপরেশন অদুনা তোঙান তোঙানবা ভিদিও ফুটেজশিং পুথোরক্লি। মদুদা মিনিষ্টর অমগী মচানুপাসু য়াওরি। মদুনা মরম ওইরগা লৈবাক শীন-থুংনা খোঙজং চঙশিল্লকখিবনি।

# নেসনেল লিদরশিংগী লিষ্ট ফোংখ্রবা মতুং আম আদমি পার্টিনা ষ্টেটশিংগী করপ লিষ্ট ফোঙগদৌরি

**ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ২ ঃ** নেসনেল পোলিটিসিয়ানশিংদা টার্গেট তৌদুনা করপ লিষ্ট ফোংখ্রবা মতুং আম আদমি পার্টিনা ষ্টেট লেভেলগী ওইবা লিদরশিংগী করপ লিষ্ট ফোংলগনি। মদু মখোয়না চথখিবা করপসন, মীহাৎ-মীপূন নৎত্রগা চারোল শুরোলগী শক্তি লৈবনচিংবদা য়ূম্ফম ওইগদবনি হায়রি।

ষ্টেট লেভেলগী লিদরশিংগী লিষ্ট অথুবা মতমদা ফোংলগনি। তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদা লৈবা লুচিংবশিংগী মমিং পার্টি অদুনা লাউথোক্লগনি। মখোয় করপসনগী সিম্বোল অমনি হায়রি।

মখোয়গী মনুংদা মহারাষ্ট্রাদা লোক সভা মীখল থেংনগদৌরিবা মীওইশিংগী মমিংসু য়াওরি। অদুগা অতোপ্পা খরনা মিনিষ্টর নৎত্রগা এম এল এ ওইরিবশিংনি হায়রি।

হায়রিবা লিষ্ট অদু নেসনেল পোলিটিসিয়ানশিংগী ফোংখ্রবা মতুং ষ্টেটশিংগী ওইবা রাজনিতিৱালাশিংগী মমিং মীয়ামদা লাউথোক্লগনি হায়না মহারাষ্ট্রা এ এ পিগী সেনিয়র লিদর অমনা ফোঙদোরক্লি।



পার্টিগী ওইবা পাউ অদুনা মখা তানা ফোঙদোরকপদা, লোক সভা মীখল পাঙথোকখ্রবা মতুং মহারাষ্ট্রা অমসুং হরিয়ানাগী ষ্টেট এসেমব্লি মীখল পাঙথোক্কদৌরি। হায়রিবা ষ্টেট অনী অসিদা হেন্না মীৎয়েং চংগনি হায়রি।

মমাংদা এ এ পিনা লৈবাক অসিগী পোলিটিসিয়ানশিংগী লিষ্ট লাউথোকখ্রে। মদুদা সোনিয়া অমসুং রাহুল গান্ধি য়াওরি। মদুদা নত্তনা বি জে পিগী প্রাইম মিনিষ্টরগী কেন্দিদেট ওইরিবা নরেন্দ্র মোদি, এস পিগী লুচিংবা মুলায়মসিং যাদব অমসুং বি এস পিগী সুপ্রিমো ময়াৱাতি লোয়নন্না যু পি এগী মিনিষ্টর কয়াসু য়াওরি। মখোয় লাক্লিবা লোক সভা মীখলদা মীরেপ ওইগদৌরিবা মীওই ঙাক্তনি হায়রি।

মহারাষ্ট্রাদা পার্টি অদুনা শরত পৱারগী মচানুপী সুপ্রিয়া সুলগী মায়োক্তা কেন্দিদেট থাদোক্কনি। লোয়নন্না হান্নগী দেপ্যুটি চিফ মিনিষ্টর চাগন ভুজপালগী মায়োক্তা কেন্দিদেট থাদোক্কনি। হায়রিবা হান্নগী মিনিষ্টর অদু ষ্টাম্প পেপর স্কামদা চেন্নখিবা মীওইশিংনি। মহাক্কী মচানুপা সামিরসু লোক সভা মীখলদা মীরেপ ওইরক্কদৌরিবনি হায়রি।

এ এ পিনা মমাংদা লাউথোক-খিবদা হান্নগী ইঞ্জিনিয়ার বিজয় পান্দারেনা সরকারবু মতেং পাংবগা লোয়নন্না এদ্যুকেশন স্কাম অদু মাঙহন্নবা হোৎনখি। সামির নাসিকতা কেন্দিদেট ওইখি। লোয়নন্না হৌজিকসু কন্সটিট্যুয়েন্সি অদুদগী কারক্তুনা ফম পায়রিবনি হায়রি।

হরিয়ানাদা কংগ্রেস এম পি দিপেন্দরসিং হুদার, মচানুপা চিফ মিনিষ্টর ভুপিন্দর হুদারশিংগী মিংসু এ এ পিনা ফোংগদৌরিবা লিষ্ট অদুদা য়াওরবা য়াই। মখোয় রোটকতা লৈবা মীওইশিংনি হায়রি।

